# নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট রেঞ্জ প্রোজেক্টাইল মঙা ঈশিংদা কাপখ্রে

সিওল, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ

সাউথ কোরিয়া-যু এসকী মিলিটরি ড্রিলশিংগী পাউখুম ওইনা মিসাইল কাপ্পা মখা চথুবগী থৌদৌ ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা সোর্ট রেঞ্জ প্রোজেক্টাইল মঙা ঈশিংদা কাপশিনখ্রে হায়না সিওলগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা চথরিবা লৈবাক অনীগী মিলিটরি ড্রিলশিং অদু পিয়োংয়াংনা কাইহৌবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মিলিটরি পাঙ্গল উৎলদুনা মিসাইল কয়া লেপ্তুনা কাপ্তুনা লাকখি।



অৱাং নোংপোক থংবা সিটি হমহুগী মনাক্তা লৈবা সাইট অমদগী থাগৎখিবা প্রোজেক্টাইলশিং অদু কিলোমিটর ২০০ পাইরগা নোর্থ কোরিয়াগী ইষ্ট কোষ্টতগী খরা চখোল্লগা ঈশিংদা তাশিনখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফনা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল চাংয়েংশিংবু অথিংবা থল্লিবা যু এনগী রিজোলুসনশিংবু থৌশাদবীদা নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৪গী অঙনবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা মিদিয়ম রেঞ্জ মিসাইল ঈশিংদা কাপশিনদুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সিওলনা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ হুম্লি লৈরগা মিসাইল মঙা কাপ্পগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

হন্দক চয়োল খরা অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা ৱাশিংটন অমসুং সিওলবু প্রি-এম্পটিব ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইকশিং চখিগনি হায়না কিহনবগা লোয়ননা ঈশিংদা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল কয়া অমসুং অর্টিলরি কাপশিনখিবনি।

মিসাইল কয়া অমসুং অর্টিলরি কাপ্লিবদু যু এস-সাউথ কোরিয়াগী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা মিলিটরি এক্সরসাইজশিংগী পাউখুম ওইনা পাঙথোক্লিবনি হায়না লৌনৈ। সাউথ কোরিয়া অমসুং যু এসকী জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু পিয়োংয়াংনা লান্দানবগী রিহর্সেল তৌরিবনি হায়রি।

থা অসিগী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়ানা ঈশিংদা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল কয়া অমসুং অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিনখি অমসুং ৱাশিংটন অমসুং সিওলগী মায়োক্তা প্রি-এম্পটিব ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইকশিং চথরগনি হায়না কিহনখি।

হন্দক কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা পাঙথোক্লিবা সাউথ কোরিয়া-যু এস মিলিটরি ড্রিলশিং অদু মমাঙদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিংদগী চাউবা হেনবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবা অমসুং মদুগী মতুংদা লোং রেঞ্জ রোকেট অমা থাগৎখিবা মতুংদা পাঙথোক্লিবনি।

পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোকখিবা অমসুং অথিংবা থল্লিবা টেক্নোলোজি অমা চাংয়েং তৌবগী মওংদা লোং রেঞ্জ রোকেট অমা কাপখিবদুনা মরম ওইরগা যু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা চহী ২০গী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা খ্বাইদগী কনবা অথিংবশিং থমখি।

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা হন্দক্তা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ অমা অমসুং অদুগুম্বা ৱারহেদ পুবা ঙম্বা বালেষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং তৌনবা ওর্দর তৌখি।

ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ অমবু টার্গেট ফংনবা স্পেসতগী এটমোসফ্যেরদা অমুক হল্লকহনবগী পান্দমদা রি-এন্ত্রি ভেহিকল অমগী সিমুলেটেদ চাংয়েং অমা মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়েংলগা মহাক্লা ওর্দরশিং অদু তৌখিবনি।

রি-এন্ত্রি ভেহিকল অদু যু এসকী মপুং লম য়ৌবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং য়াওবা লোং রেঞ্জ মিসাইলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙবা অরোইবা মরু ওইবা টেক্নোলোজিশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ।

সাউথ কোরিয়াগী এনালিষ্টশিংনা হায়খি, হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কাপখিবা মিদিয়ম রেঞ্জ মিসাইল অদু রি-এন্ত্রি টেক্নোলোজিগী চাংয়েং অমা ওইরম্বা য়াই। নোর্থ কোরিয়াগী মিদিয়ানদি মিসাইল কাপ্পদুগী মরমদা কমেন্ট অমত্তা পীখিদে।

হৌজিকসু নোর্থ কোরিয়াগী মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা ইন্টরকটিনেন্টেল বালেষ্টিক মিসাইলশিং লৈত্রি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ওফিসলশিংনা হায়রি।

## মেগনিচ্যুদ ৬.৬গী যুহা হাবনা কমাচাটস্ক পেনিন্সুলা নীকহনখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ

রিক্টর স্কেলদা মেগনিচ্যুদ ৬.৬ য়ৌবা যুহা হাবা অমনা ঙরাং রশিয়াগী কামচাটকা পেনিন্সুলাগী নোংপোক থংবা কোষ্টতগী খরা লাপ্লা ঈশিং মনুংদা নীকহনখ্রে। অদুবু মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতা থোক্লিঙাইদি ওইদে হায়না যু এসকী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকল মতমদা অয়ুক্কী পুং ৩.৫০ তাবদা থোকখিবা যুহা হাবা অদু ঈশিং মনুংদা কিলোমিটর ২৯ লুথবা মফমদা থোকখিবনি অমসুং মদুগী ইপিসেন্টরনা *কমাচাটস্ক* ষ্টারিদগী খা রোমদা মাইল ১২৮ লোম লাপ্পা লৈবা মফমদা ওইখি হায়না সর্ভে অমনা ফোঙদোক্লি।

এক্সপ্রেস যু কেদা ফোঙবা পাউ অমগী মতুং ইন্না, মীওই ৩,০০,০০০ রোম লৈবা পেনিন্সুলা অদুদা অথুবা মতমদা সুনামি থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈতে। কমচাটকা পেনিন্সুলাবু যু এসতগী তোঙান্না খায়দোক্লিবা বেরিংসিদা কুমজা ২০০৬তা মেগনিচ্যুদ ৭.৬ য়ৌবা অকনবা যুহা হাবা অমা থোকখি।

যু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা মসিগী ৱেবসাইটতা হায়খি মদুদি, পেনিন্সুলা অদুদা কন্না নীকখিদবগা লোয়ননা অমাঙ-অতাসু থোক্লিঙাই ওইদে। অথুবা মতমগী মনুংদা চহী ২০০গী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা যুহা হাবনা কালিফোর্নিয়াগী ৱেষ্ট কোষ্টপু অকনবা মওংদা নীকহল্লগনি হায়রি।

## শিখিবা ১৩ য়ৌখ্রে

জকার্টা, মার্চ ২১ ঃ মাঙখিবা লান্মী অমগী অশিবা হকচাং ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দোনে-সিয়াগী মিলিটরি হেলিকোপ্টর কায়বদা শিখিবা মীগী মশিং ১৩ য়ৌখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। হেলিকোপ্টর অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী পাম্না থিনরিবা মিলিটেন্ট অমা ফানবগী মিসনদা পাইখ্রগা কায়খিবনি।

### য়ুক্রেন ক্রাইসিসকী অনৌবা দিভলপমেন্ট

# রশিয়ন কোর্টনা য়ুক্রেনগী পাইলোটপু পাউমী হাৎপগী মরাল শীখ্রে



দোনেটস্ক, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ

লালগী অৱাবা চৈথেং নংলবা নোংপোক থংবা য়ুক্রেনদা রশিয়ন জর্নেলিষ্ট অনী হাৎখিবগা মরী লৈননা য়ুক্রেনগী পাইলোট নাদিয়া সভচেনকো মীহাৎপগী মরাল লৈরে হায়না রশিয়াগী খা থংবা লমদমগী কোর্ট অমনা ঙসি হায়খ্রে।

অমরোমদা, রশিয়ন কোর্টতা চথখিবা ট্রাইঅল অদু পোলিটিকেল নমথাক অমনি হায়রদুনা কিভ অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা পাইলোটতা মরাল শীবগী থৌওংদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

"য়েংথিবা অমসুং তুকৎচবগী ৱাখল চেনবা মীওই কাঙবু মরক্তগী তৌবগুম্না সভচেনকোনা রশিয়ন জর্নেলিষ্টশিংদুবু অতম্না হাৎখিবনি হায়না দোনেটস্ক টাউনগী জজ অমগী ৱারোল পল্লদুনা রশিয়ন ন্যুজ এজেন্সীশিংনা ফোঙদোকখি।

কোর্টকী ভার্দিক্ট অদুনা হায়খি, শিরিবা মরাল পূম্নমকপু য়াখিদবা সভচেনকোনা রশিয়ন মরোল লোনবা মীশিংবু তুকৎচবগী ৱাখল্লোন অমনা লিচিং ওইদুনা থবক তৌখি।

রশিয়ন প্রোসিক্যুটরশিংনা মশাগী চহী ৩৪শুরবা কম্বেট হেলিকোপ্টর পাইলোট অদুবু চহী ২৩ জেলদা থম্নবা দিমান্দ তৌরি। কোর্টনা মহাক্কী চৈরাক লাউথোকপদু হয়েং ফাওবা চথগনি হায়রি।

কম্বেট হেলিকোপ্টর পাইলোট অদু ইষ্ট য়ুক্রেনদা রশিয়নশিংগা মীচং ওইনবা য়ুক্রেন গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা ভোলন্টিয়র গ্রুপ অমদা থবক তৌখিবনি। কোর্টনা সভচেনকোবু লোগী ৱাংমদা বোর্দর লান্দুনা রশিয়াদা চঙশিল্লকখি হায়নসু মরাল শীখ্রে হায়রি।

মরৈবাক্তদি নেসনল হিরো অমা ওইরবা অমসুং মশা লৈত্রিঙৈদা পার্লিয়ামেন্টদা মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎখ্রবা সভচেনকোনা মহাকপু কুমজা ২০১৪গী জুনদা য়ুক্রেনগী নোংপোকথংবা শরুক্তা মোস্কোনা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা কিদনেপ তৌখি অমসুং চৎন-পথাপশিং খোঙ্গাউনদুনা বোর্দর লাল্লগা রশিয়াদা পুশিনখি অমসুং অরানবা মরাল কয়া শীজিনখি হায়রি।

য়ুক্রেন অমসুং মসিগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা সভচেনকোগী কেস অসিবু পোলিটিকেল সো ট্রাইঅল অমা ওইনা উবগা লোয়ননা মহাক মোস্কোনা হান্নগী সোভিয়েট য়ুম্লোন্নববু অকন-অরিং শীংবগী খ্বাইদগী নৌবা ভীক্টিমনি হায়রি।

মোস্কোনা অকন-অরিংগী থৌদৌ চথদুনা ক্রিমিয়া পেনিন্সুলা খুদুম চনশিনখি অমসুং মফম অদুদা লালহৌবগী ঈরাংশিং লাকহনখি হায়না মখোয়না রশিয়াবু মরাল শীরিবনি। তৌইগুম্বসুং রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা হায়রি মদুদি রশিয়াগী ষ্টেট জর্নেলিষ্টশিং ইগোর কোর্নেলয়ুবা অমসুং এন্টন ভোলোসিনবু নোংমৈনা কাপ্পদা সভচেনকোনা "স্পোট্টর" ওইখি।

# মিনিষ্ট্রি মশীং হন্থহন্নবা ম্যান্মারগী পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনখ্রে



নেপিয়িটো, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট খল্লবা হটিন কিয়োনা লোমেকরশিংদা সিবিল সার্ভেন্ট অমত্তা থবক মাঙলোই অমসুং মিনিষ্টর ১৫ লৌথোকপনা লৈবাক্কী শেঙ্গাউদগী দোল্লর মিলিয়ন ৪গী শেনফম কনবা ঙমগনি হায়না থাজবা পীখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারগী অনৌবা পার্লিয়ামেন্টনা গভর্ণমেন্ট মিনিষ্ট্রিশিংগী মশীং হন্থহনবগী মতাংদা হৌখিবা নিংথৌকাবদা ভোট লৌনখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী অপুনবা সেসন অমদা ৱারেপ অদুবু ভোট অহুমখক্কী মায়োক্তা ৬১১না শৌগৎকি অমসুং মদু চহী কয়া লিশাং শিংনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লবা মতুংদা পৱার পায়রকখিবা ওং সান সু চিগী পার্টিগী অহানবা লেজিসলেটিব এক্টনি। পুৱারী ওইহৌরগদবা মওংদা ওন সান সু চিগী পার্টিনা হৌখিবা নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা মহাক্কী নোমিনেসন কনফার্ম তৌখিবা মতুংদা পার্লিয়ামেন্টদা ইহান হানবা ওইনা ৱা ঙাংলদুনা হৌনবী মতুং ইন্না এপ্রিল ১দা থবকপায়বা হৌগদৌরিবা হটিন কিয়োনা হায়খি, কোইচাই চাইদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রি কয়ানা অমগা অমগা ইমান মান্নবা থবকশিং তৌদুনা লৈরে অমসুং মহাক্লা মখোয়বু পুনবা য়াবা পুনশিন্নদুনা মিনিষ্ট্রি মশীং ৩৬তগী ২১দা হন্থহনবা পামই।

"ঐহাক্লা সিবিল সার্ভেন্টশিংগী মশীং হন্থহনগে খনবদি লৈতে" হায়না মহাক্লা হায়খি। "মিনিষ্ট্রি মশীং হন্থবনা কান্নদবা চাদিংশিং হন্থহনগনি অমসুং মিনিষ্টরশিংগী তোলোবশিং লৌথোক্লগনি।"

মহাক্লা হায়খি, অসুম্না মিনিষ্টর মশীং হন্থহনবনা চহী ৫গী টার্ম মনুংদা গভর্ণমেন্টকী শেঙ্গাউদগী অরেম্বদা চৎখিগদবা য়াট (বিলিয়ন ৫ দোল্লর মিলিয়ন ৪) কলহৌবা ঙমগনি অমসুং শেনফম অদু মহৈ-মশিন তম্বা অমসুং অতৈ অফবা হীরমশিংদা শীজিন্নগনি।

কুমজা ১৯৬২দগী ম্যান্মারবু থংন-থংননা মিলিটরি জন্টাশিংনা অমসুং মিলিটরিনা শৌগৎপা মমিংগী ওইবা সিবিলিয়ন গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১১দগী লৈঙাক্তুনা লাকখি। দেমোক্রেটিক মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবা সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দেমোক্রেসি পার্টিনা লৈবাক অদুগী অহানবা সিবিলিয়ন গভর্ণমেন্ট শেম্লগনি। মিলিটরি লৈঙাকপশিংনা ড্রাফ তৌখিবা ম্যান্মারগী কন্সটিট্যুসননা সু চিবু প্রসিদেন্টকী ফম পায়বা থিংবদগী মহাক্কী থাজবা মরুপ অমসুং এদভাইজর হটিন কিয়োনা ফম অদু পায়রগনি।

# সিজফায়র থুগাইবশিংগী মায়োক্তা ফোর্স শীজিন্নরগনি : রশিয়ান

মোস্কো, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ

সিজফায়র থুগাইবশিংবু চৎনবিগী রুলশিং ইলহনসি হায়বসিদা যু এসনা মখা তানা য়াদদুনা লৈবা তারবদি রশিয়ানা মরন্নাই ৱারেপকী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী সিজফায়র থুগাইবশিংগী মথক্তা খুৎ থাবা হৌরগনি হায়না মোস্কোনা ঙসি ৱাশিংটনদা ৱার্নিং তৌখ্রে।



সিরিয়াগী সিজফায়র অদু পুন্না মোনিটর তৌমিন্নসি হায়বা মোস্কোগী ৱাফমদা পাউখুম পীবদা থেংথদুনা লৈরে হায়না রশিয়ান মিলিটরিনা যু এসপু মরাল শীখ্রে।

রশিয়াগী মকোক থোংবা জেনরেল অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খি মদুদি, মোস্কোনা হৌদোক্লিবা ৱাফমদা অসুম্না থেংথদুনা লৈবসিনা অলেপ্পোগী থৌদোক্কা মান্ননা মীচম কয়া মীশি-মীনা নংহল্লে। সিরিয়াদা ট্রুস চৎনবা হৌখিঙৈদগী অলেপ্পোদা মিলিটেন্টশিংনা কাপশিন-খোৎচিন্দুনা সিবিলিয়ন ৬৭ হাৎখ্রে।

রশিয়ন জেনরেল ষ্টাফকী লেফটিনেন্ট জেনরেল রুদস্কোইনা ঙসি থোকখিবা ষ্টেটমেন্টদা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চয়োলদা রশিয়াগা ৱারী শানখিবা যু এসনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা সিজফায়র মায় পাকহনসি হায়বদা য়াদবা তারবদি রশিয়ানা মরন্নাই ৱারেপ অমদা ফোর্স শীজিন্নবা হৌরগনি।

"অমেরিকান সাইদনা মসিগী খন্ন-নৈনবা অসিগীদমক্তা অমসুং এগ্রীমেন্টদা অয়াবা পীননবগীদমক্তা শেম শাবা লৈতে" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মহাকপু পল্লদুনা হায়খি।

যু এসকী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা পীখিদে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭তগী হৌখিবা রশিয়া অমসুং যু এসনা শিন-লাংদুনা চৎনহনখিবা সিজফায়র অদুনা সিরিয়াদা খুৎথোক্লবগী চাং শীংথাবা য়ানা হন্থহনখি।

ট্রুস অদুনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং অল-কাইদাগা মরী লৈনবা নুশরা ফ্রন্ট পুদি কোনশিনদে। রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিননা হৌখিবা চয়োলদা রশিয়ন ৱারপ্লেন খরা সিরিয়াদগী লৌথোকখি। তৌইগুম্ববসুং মহাক্লা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং অল-কাইদাগা মরী লৈনবা নুশরা ফ্রন্টকী মায়োক্তদি মখা তানা এটেক তৌখিগনি হায়খি।

# 'পেরিস এটেক্তা চেন্নবা মীওইনা ব্রুসেলসতা এটেক কয়া চথনবা হোৎনখি'

ব্রুসেলস, মার্চ ২১ (এজেন্সী) ঃ

পেরিসতা চথখিবা এটেকশিংদা চেন্নবা মরু ওইবা মীশকনি হায়না চীংনরিবা সালা অব্দেসলামনা বেলজিয়মগী ইনভেষ্টিগেটরশিংদা মহাক্লা মখা তানা এটেক কয়া পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসিবু ফোঙদোকখিবা বেলজিয়মগী ফোরন মিনিষ্টর দিদিয়র রেন্দর্সনা হায়খি, অব্দেসলামনা ব্রুসেলসতগী করিগুম্বা খরা তৌবা হৌনবা শেম-শাদুনা লৈখি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংদা ফোঙদোকখি।

রেন্দর্সনা হায়রি মদুদি, মহাক্কী (অব্দেসলামগী) ক্লেম অদু ওথোরিটিশিংনা লুনা লৌই মরমদি মখোয়না অহানবগী ওইনা থিজিনবদা অচৌবা খুৎলাইশিং য়াওনা খুৎশু-খুৎলাই কয়া ফাগৎখিবগা লোয়ননা ব্রুসেলসতা মহাক্কা মীওই কয়াগী অনৌবা নেটৱার্ক অমগা শম্নরম্বা থেংনরে।

ফ্রেঞ্চ অমসুং বেলজিয়ম ওথোরিটিশিংগী মরক্তা মুক্নরকপনা অব্দেসলামনা তৌরিবা থবকশিংগী মরক্তা থিজিনবদা অপনবা ওইহন্নবগী ফীভম অমা লাক্লিঙৈ মরক্তা অনৌবা ৱাফম অসি লাক্লিবনি। বেলজিয়মদা অব্দেসলামগী উকিলনা পেরিসকী প্রোসিক্যুটরগী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না ফাওবা কিহনখি। প্রোসিক্যুটর অদুনা পেরিস এটেক্তা চেন্নবা অব্দেসলামবু শাংলবদা নুমিৎ ৯০নিগী মনুংদা পেরিসতা ৱায়েল চথনবা থারক্লবা হায়খিবনি।





হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ব্রুসেলসতা পুলিসনা রেইদ অমা পাঙথোকপদা অতোপ্পা রেইদ অমদগী নাম্থোকখিবা অব্দেসলামবু ফাখি। মহাক্লা নাম্থোকখিবা রেইদ অদুদা চিংনবা মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎখি অমসুং পুলিস ওফিসার মরি শোকখি। হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা পেরিসতা চথখিবা এটেকশিংগা মরী লৈননা মহাকপু হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা "টেররিষ্ট মীহাৎ" চথবগী মরাল শীখি।

নীংশিংবা য়াবদি, নুমিৎ অদুদা পেরিস সিটিদা পরিং নাইনা থোকখিবা বোম পোকখায়বা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৩০ শিখিবনি।

অব্দেসলামনা এটেকশিং অদুদা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রবসু নবেম্বর ১৩গী এটেকশিং অদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা মহাক্লা বোম শাবা, কার ৱায়বা, লোৎফম কাশিং ৱায়বা অমসুং জিহাদিষ্টশিংবু পুথোক-পুশিন তৌবদা মতেং পাংখি হায়না থাজনরিবনি।

পেরিসকী প্রোসিক্যুটর ফ্রান্সুআ মোলিন্সনা হায়খি, চহী ২৬ শুরবা মীওই অদুনা ষ্টেট দে ফ্রান্সকী মপান্দা সুইসাইদ এটেক অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখি হায়না ইনভেষ্টিগে-টরশিংদা তমখি।

অব্দেসলামগী উকিল সভন মেরিনা বেলজিয়ম ব্রোদকাষ্টর আর টি ভী এদতা হায়খি, অহানবা ইনভেষ্টি-গেসনগী অকুপ্পশিং মিদিয়াদা ফোঙদোকপগীদমক্তা মহাক্লা মোলিন্সকী মথক্তা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌনবা থৌরাং তৌরি।

মহাক্লা হায়খি, মসি ঐহাক্লা ইরাই লায়না থাদোকখিবা য়াবা অশোয়বা অমা ওইদে। আই এস আই এসকী থৌওইনশিনদগী পেরিস সিটিদা এটেক তৌখিবা মীওই ১০গী খুৎপুদুগী মনুংদা হিংহৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা মেম্বরদি বেলজিয়ম মচা অব্দেসলামনি হায়না থাজনৈ।

অব্দেসলামগী বেলজিয়ম উকিল মেরিনা হায়রি মদুদি, মহাক্লা অব্দেসলামবু ফ্রান্সতা থাবা থিংনবা হোৎনগনি।




NATIONAL SCHOOL OF DRAMA
(An autonomous Institution under Ministry of Culture, Govt. of India)
(T.I.E. WING) TRIPURA

One Year Certificate Course in Theatre-In-Education (2016-17)

ADMISSION NOTICE

National School of Drama [T.I.E wing] Tripura, in collaboration with Dept. of Information & Cultural Affairs and Higher Education, Govt. of Tripura, invites applications for admission to its residential one year certificate course in Theatre in Education from the candidates of North-East States only. The course will begin from 20th July'2016 and aims at preparing theatre teachers for schools and Artists for TIE activities.

NO OF SEATS: 20

MEDIUM OF INSTRUCTION: Hindi/English

ELIGIBILITY:
Essential Qualifications:
[i] Graduation in any stream from a recognized university in India or abroad.
[ii] Experience in theatre or formal/non-formal teaching at school level.
[iii] Working knowledge of Hindi and English.

Preferable:
Graduation from a recognized theatre training institute OR a degree in education/child development/psychology from a recognized institution OR experience in working with children in theatre and ability to relate to children.

AGE LIMIT: Minimum 21 years and maximum 40 years, as on 20th July'16

FORMS AVAILABLE AT:-
The application form can be downloaded from the School website www.nsd.gov.in from 22nd March'2016 onwards. It is also available at National School of Drama (T.I.E Wing) Tripura, Nazrul Kalakshetra complex, Dhaleswar, Agartala-799007, Tripura, between 10 am to 5pm.

HOW TO APPLY:
Attested copies of certificates and testimonials must be attached with the application form along with a demand draft of Rs. 100/- drawn in favour of Camp Director NSD (T.I.E Wing) Tripura.

FORMS TO BE SENT ON THIS ADDRESS:
Camp Director NSD (T.I.E Wing) Tripura, Nazrul Kalakshetra Complex, Dhaleswar, Agartala-799007, Tripura. Ph: 0381-232-8797, by post or can also be submitted by hand.

THE LAST DATE:
The last date for submitting the duly-filled application form is 30th April'2016. No applications will be entertained after this date.

SELECTION PROCEDURE:
After scrutinizing the applications, the shortlisted candidates will have to appear for the final selection through a 2-4 days workshop at Nazrul Kalakshetra Complex, Dhaleswar, Agartala-799007, Tripura. Candidates must produce original certificates and testimonials during the workshop.

Candidates participating in the final workshop at Agartala (Tripura) will not be provided any TA/DA & accommodation.

An expert committee constituted by National School of Drama, New Delhi, will assess the aptitude and talent of the candidates and the committee's decision will be final. Any CANVASSING in this regard will be treated as a ground for disqualification.

SCHOLARSHIP:
Finally selected Candidates for the course will be given scholarship of Rs. 4500/- per month for the academic year.

PHYSICAL FITNESS:
All selected students will have to undergo a medical test for physical fitness. Their final selection is subject to clearance of the fitness test.

NOTE:
After scrutinizing their application form by office, the candidates will be informed about the dates for the workshop at Agartala. For further inquiry please on phone no. 0381-2328797 or email-nsdtripura@gmail.com

HL-B/3025/22